# মীতৈ ঐখোয় লাইগী মচা মশুনি

**মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা**

***মালেম*** তাইবঙপান্দা লৈরিবা কাঙলুপ কয়ানা মাগী মাগী থাজজবদা অসিনা লাইনি হায়দুনা থাজদুনা নীংনরি, ঈরাৎ থৌরম তৌদুনা ঈরাৎলি থৌনিজরি। মালেম অসিদা লৈরিবা লাই ময়ামসি মশীং য়ামখ্রে। হৌজিক হৌজিক হিংলিবা তাইবঙপানগী কুম্দো য়াওরিবা মীওইপোক ফাওবা লাইনি হায়দুনা নীংনরি, শোন্নরি। লাইনি হায়দুনা মীংচৎ মীংফাওনরি। অপংবা মীওইপোক ওইদুনা তাইবঙ কুম্দো য়াওজরিবা ঐগী ৱাখলদদি মপু মপানা অচম্বা মীওইপোক ওইরগা মহাক্কী মচা মশুনা করম্না লাই ওইগনি। মীওইপোক মরক্তগী থোইদোক হেন্দোক্না ৱাখল লৌশিং লৈবা মীওইবু শিংথানবা ওইনা লাইগুম্লে হায়না ইকায়খুম্নবদি য়াই। তৌইগুম্বসুং লাইনি, লাইমক্লি হায়না নীংবা শোন্নবদি য়াজনীংদে। খুদম ওইনা বাসুদেব অমসুং দেবকীনা লাই ওইদ্রগা মখোয়গী মচা নুপা কৃষ্ণনা, জোসেপ অমসুং মেরিনা মীওইপোক ওইরগা মখোয়গী মচা নুপা জিষুনা করম্না লাই ওইগদৌরিবনো? তাইবঙ মীওইবা, শা-ঙা, তীল-কাঙ, থৱায় পানবা অচৎপা, চৎতবা, উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপাল, মনা-মশিং, নুমিৎ-থা, মালেম নোংথৌ শিদবা, থৌৱাইমিচাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ পূম্নমকপু শেম্বীবা শাবীবা মহাকপু লাইনি হায়না লৌফম থোক্তবরা? কৃষ্ণ, জিষুনা তাইবঙপানদা পোক্লকপা মতমদদি মালেম তাইবঙপান অসি অঙকপা ফংনা চাওখৎলম্লে হায়বদি মখোয়না শেৎ চারিবা ফিজোল-লৈতেং অমদি মখোয়না চারিবা অচাপোৎ হৌজিক্কা করিবু খেন্নরিবগে? থোইদোক হেন্দোক্না খেনচংলোনগী লমদা অখঙ অহৈ কয়া লৈবনা মখোয়না পোকপগী চৈচৎ, থবান, থাশিং, কুমশিং লীবা ঙম্লে। মরম অসিনা মখোয়শিং অসি করম্না লাইনি হায়না লৌবা ঙমগনি। লৌফমসু থোক্তে। মরম অসিনা লাই কনানো/করিনো হায়না থিদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐনা ঐগী ইমাগী পীবুক্লুংদগী মালেম তাইবঙপানদা ফাওরকপদা উরিবা পূম্নমক অসি কনানা শেম শারকপনো/ওইরকপনো হংবা তাই, থিবা তাই, থিবা চঙই। ঐ কনানো, ঐ কনানা পোকই, ঈপানা পোকই; ইপা কনানা পোকই, ইপুনা পোকই, ইপু কনানা পোকই, ইপুপোকনা পোকই। ইপুপোক কনানা পোকই, পুরেলনা পোকই। পুরেল কনানা পোকই, পুরেল নাককপানা পোকই।

অসুম তৌনা মথং মথং হংগৎনা থিগৎপদা শাগৈ (য়ূম্নাক) অপোকপা ঐ ঐগী নাওতা (সলাইগী মচা) হায়বদি (১) লৈশঙলেন অশঙ ঙাশাপা (মঙাং সলাইগী) (২) নোংতমলেল অৱাংবা (লুৱাং সলাইগী) (৩) নোংতমলেল অখুবা (খুমন সলাইগী) (৪) লৈশংলেল অশংবা (অঙোম সলাইগী) (৫) ঈচেঙ (মোইরাং সলাইগী) (৬) নোংতমলেন অঙানবা (খা-ঙানবা সলাইগী) (৭) খুম খুম নিংথৌ (সলাই লৈশাংথেমগী) মখা তানা হংগৎনা থিবদা (১) লৈশঙলেন অশঙ ঙাশাপা কনানা পোকই, মঙাংনা পোকই (২) নোংতমলেল অৱাংবা কনানা পোকই লুৱাংনা পোকই। (৩) নোংতমলেল অখুবা কনানা পোকই - খুমননা পোকই (৪) লৈসংলেন অশংবা কনানা পোকই - অঙোম সলাইনা পোকই (৫) ঈচেঙ কনানা পোকই মোইরাং সলাইনা পোকই। (৬) নোংতমলেন অঙানবা কনানা পোকই খা-ঙানবনা পোকই। (৭) খুম-খুম নিংথৌ কনানা পোকই - সলাই লৈশাংথেম সলাইনা পোকই মখা তানা অমুক হংগৎনা থিবদা (১) মঙাং কনানা পোকই - ঈপু অথৌবা পাখংবনা নুলা ঈপেমমা লাইকোক হুইমুলৈ পুকসিখোমপী পাননতুনা মঙাঙ পোকয়ে (২) লুৱাঙ কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখঙপানা নুলা ইপেমমা হুইসুলৈমা পাননতুনা লুৱাঙ পোকই। (৩) খুমন কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখঙপানা নুলা ইপেমমা লোইখুমপী মৰাই থোংঙাইলেলপীকা পাননতুনা খুমন পোকই। (৪) অঙোম কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখঙপানা নুলা ইপেমমা লাইয়েক পীহোত লৈমাকা পাননাতুনা অঙোম পোকই। (৫) মোইরাং কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখংপানা নুলা ইপেমমা লৈমা উলুম খাউচাউ তোনপীকা পাননাতুনা মোইরাং পোকই। (৬) খাঙানপা কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখঙপানা নুলা ইপেমমা লৈসম তালি লৈমা পানাতুনা খা-ঙানপা পোকই। (৭) সলাই লৈশাংথেম কনানা পোকই - ইপু অথৌপা পাখঙপানা নুলা ইপেমমা নোংহাইনু লিলী লৈমা পাননাতুনা সলাই লৈশাংথেম পোকই। ইপু অথৌপা পাখংপা কনানা পোকই। সলাইলেল শিতপা অমসুং ইমা লৈমালেল শিতপী অনী পাননাতুনা তাইপঙ মীকিতি পুকোক লাইকীতি মমৈ ইপু অথৌপা পাখঙপা পোকই। সলাইলেল শিতপা কনানো? কনানা পোকই হায়না মখা তানা হংপতা, কনানসু পোকতে; সলাইলেল শিতপতি ইপুংলোই অপকপাগা মশা অমত্তনি, ইপুঙলোইনপা অপকপকী লাংওননে। ইপুঙলোইনপা অপকপা কনানো? তিংপানপাকী মপু ইপুঙলোইনপা অপকপানা তলঙ আোইনা লৈলিঙৈ তিংপানপা অমাকী মআোংপু লেপতালিঙৈ, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, নুমিৎ, থা, থৌৱাইমিচাক অমমম অঙান খাইতালিঙৈ, পুম্নমক্না লৈতালিঙৈদা মথননা আোননা আোননা তলঙ মালঙ আোইনা সাইআোনতুনা লৈলিঙৈদা তলঙ অতিঙপাপু ইপুঙলোইনপা অপকপনা তলঙ মালঙপা ইম আোইনা হাইনা হুমনা অসুম্না লৈলিঙৈতা, নোংথৌ মনুং আোইনপা শেমকে নিঙলক্লে। অমা হাইলিপা মপুনা তলঙ মালঙ আোইনা হাইনা হুমনা লৈলিঙৈতা মপু শিতপকী নুংপুঙ ৱাখননা ইনুপুঙতা লুপখিতনা মালেম লৈসাপু ফুকখত চিংখৎ থাংখতলকপা মতমতা ইনুংপুঙকী সাইআোননা কামপী লাইচা, মালঙপা চোংথোকলে। মালেম নোংথৌ ইয়েক মআোং লেপখলে। মালেম নোংথৌ অনীনা উয়ুংচৈ আোইনা লেপখলে। উয়ুংচৈ মনুংতা তাইনপা মলকতা কামপী, লাইচা, মালঙপা চাইনলে। মৈ ঈশিং, নুংশিৎ অসুম আোইপা মআোংপু ইপুঙঙোনা আোননা আোননা সাইআোনলে॥০॥ ইপুঙঙো মহাক্কী থৌশিলনা লাইয়ামশিংপু পুথোক্তুনা লাইনিংথৌ সলাইলেল শিতাপাকী মফমতা তলঙ লাইপাউ পীতুনা নুমিৎ হুমনি শুপাকী অঙাংকী মতমকুমনা সনাকী মশক মালপা নৌৱা অমা আোইনা লৈলমকে, অৈ অসিপু নহাক্কী নচামকনি নিঙতুনা অৈপু য়োকলো, হয়েং চক অমতা তাইপঙ পালপা মপুঙ আোইননপাতা লাইয়ামশিংগী ইয়েক, খোনথোক মতুঙ ইননা মাঙতানপা উলি, ৱালি, মীনচিংবা অসি খৈপিকপু সালকপা মতমতা অৈনা নঙকী নতেঙ পাংকনি হাইনা তলঙ লাইপাউ পীখিয়ে। লাইপাউকী লিখুন লিকলমপু লাইয়ামশিংনা তাচাখি॥০॥ অসুম ওইপা লাইপাউকী মতুঙ ইননা শিতাপকী ইশাইফু ইলোননুংতা নুমিৎ হুমনি শুপাকী নৌৱাকী মৰোং আোইনা সনাকী মচু মানপা নৌৱা অমা লৈলমলে। নৌৱা অতুপু য়েংলাকা সনাকী মশক মানপা অঙাংপা মচুনা লৈতেংপা মাহী অতুপু উপাতা সনামহী হাইপা হাইপা মিংথোনপু পীতুনা মচাকী মতমকুমনা লৌখৎলে। অসুম তৌনা লৌখৎলাপকা লাইলেলপী শিতাপী লাইলেমমাতা পীশিললে॥০॥ লাইলেমমানা য়েংলগা ঙাঙলৈনবা নৌৱা অতুপু উপতা অঙাঙ মিংথোল ফংতুনা চেতনা চাননা কোনশিললে।

মতৌ অসুমনা লৈলাপাকা মপালীসু চাউলকলে। মপাপুঙকী য়াথং থোইয়া নিংথিপানা হাইলকলে - মচাকী মফমতা পালী ইপুঙঙো কোনসেন তুলৈসেংপা তলঙ লাইপাউকী মতুঙইননা পালী নঙকী নথৌ নঙম তাইপঙ মীপু শাপা হৌলো হাইনা তাকপীলে। অতুকী মতুঙ ইননা মপালীনা মী শাপা হৌখলে। অহানপাতা মপালী সনামহীনা শাপা পোতলম অতুপু কতসিললে। হেকনা আোইপা য়াখিদে। মপাপুঙনা মথৌৱাই হাপতুনা মমিংতপু থোনতুনা নমু মিতম ঙা হাইনা কৌতুনা লাইচা ইলোন-নুংতা থাথোকলে॥০॥ অসুম তৌনা মথং মথং শালকপতা সোইন খননখিতুনা ইকোন কোনপাতা সালাইলেল শিতাপাকী পাউতাক মতুং ইননা সাপাতকী মী আোইনা লেপতুনা মপাপুঙতা কৎসিললে। সনামহীনা শাপা মী অতুপু লৈমালেল শিতাপীনা উলুপাতকী, লাইলেলপীতি শিতাপী তিললাং খোইতাতুনা মপুকী কোনতকী তিললাং অতু তুকথাখিতুনা লৈসালেলগী খোইচী খাতা তুঙতুনা নাউপুন আোইনা য়োমতুনা পীপুকনুঙতা লৈখলে। অসুম তৌনা লৈলকলাপকা মপুকী কোনচিলতাকী তুকথাখিবা তিললাং অতুপু থাপুঙ তালা ফালাতুনা তাইপঙপালতা ফাউলকলে॥০॥ অসুম ফাউলাপকা নুমিৎ তরুকনি শুপাতা অনম অথৌ কোকতুনা ইম-কৈপু শেংতুনা লাইচা ইপাল থাতুনা লাইনিঙথৌ লাইলেলমাগা অনী মাপু শিতাপানা লৈপাক মাইপা খুলাই তাঙপা নিঙথৌ মাইপা চিলাইহনপা শাতুনা মাইচৌ মাইনৌ আোইলতুনা অমাইপা অমাইপী শাতুনা তিললাং অতুপু নাহৈ লাইলোল হাইতুনা অনম অথৌ কোকথোকলে। মলোল থোকলে। মালিন থোকলে হাইতুনা পালী অতোনপা ইশানৌ কোনচিন তুকথাপা হাইপা মিংথোল ফংচৈয়ে। থাপুঙ ১০ নাউ পুখিপানা মপাপুঙকী ফমপান ফানথোঙ তরেৎলকপু কোইতুনা ফমপান মেন তোংপা ফংচৈয়ে। ময়ামপুঙ সনামহীপু মশক খঙতুনা নিঙথি থোইনা নিঙতুনা তাইপঙ মীকী ফমপান তোংচৈয়ে॥০॥ মপালী ইপুঙঙো কোনচিন তুকথাপা পাখঙপাসুং ফমপান থকতা থাচকী মসেকতকী তালকপকুমনা মৈপুন হাইচাউ হৌপা আোইনা নুংঙাই থোইনা পানখলে।

অসুম তৌনা নুংঙাই থোইনা পাললপতা ইপু অথৌপা পাখঙপানা সলাইলেনকী হুমাংতগী থোকখিবা লাইলুপ তলেপ পাননাতুনা লইলুপ অমমমকা পাখঙপাকী ইকা তিননতুনা পোকপা মচা নুপা তলেপ অমা মঙাঙ অনী, লুৱাং অহুম, খুমন মরি, অঙোম মঙা, মোইলাং তরুক, খা-ঙানপা তরেৎ সলাই লৈশাংথেমপু সলাই হায়না কৌখলে। অসুম্না লৈলাপাতা সলাই তরেৎ মখোয়সু মখা তানা লাইলেলপী লাইলেল খোমপীকা মঙাঙ নিংথৌকা পাননতুনা (১) লৈসঙলেল অসং ঙাসাপা পোকয়ে। লাইলেলপী অঙাইপীকা লুৱাঙ নিংথৌকা পাননাতুনা (২) নোংতমলেল অৱাঙপা পোকয়ে। লাইলেলপী খুঙাইপীকা খুমন নিংথৌকা পাননাতুনা (৩) নোংতমলেল অখুপা পোকয়ে। লাইলেলপী থিংপী লাইখোমপীকা অঙৌপালপা অঙোম নিংথৌকা পাননাতুনা (৪) লৈসঙলেল অসংপা পোকয়ে। লাইলেলপী থালৈমাকা মোইলাং নিংথৌকা পাননাতুনা (৫) ইচেঙ পোকয়ে। লাইলেলপী কোংতিং লৈমাকা খা ঙানবাকা পাননাতুনা (৬) নোংতমলেল অঙানপা পোকয়ে। লাইলেলপী চেংলৈমাকা সলাই লৈশাঙথেমকা পাননাতুনা (৭) খুম খুম নিংথৌ পোকয়ে। কোনচীল তুকথপা ইপুথৌ পাখঙপানা সলাইলুপ সাখাইকী মতুঙ ইননা কংলৈ ৭ (তলেপ) তা মপালী ৭ (তলেপ) পু পালহলখালে। মপালীশিংকী চাতা নৌতানা পাকনা সননা য়ামথোকখিপনা লোইপী চীঙচাউ কাখলে। হৌ হৌ খোনথোক ঈৱাই ঈনিনকা ইলোইনখলে। চীংলেল চীংচাউ কাখিবনা তাংচা-মসিন আোইনায়ে। অতু আোইপাকীপু নুংঙাই থোইনা লৈচায়ে।

কংলৈপাক (মণিরপুর) দা লৈরিবা ঐখোয় মীতৈ খুন্নাইগী লাইনীং লাইশোলগী ওইবা থৌরম (লুহোংবা) লান্ন-থৌরম, ফীরোই, হৈজিং খরাইনচিংবা) পাঙথোকপা মতমদা অমাই পিবানা থৌরমগী মতুং ইন্না থৌরমগী মপু (য়ূম্বুদা) পু অহুমগী মিং পীয়ু (হায়বিয়ু) হায়রকপদা মপা মমিং, মপুগী মমিং, মপুপোককী মিং অহুম হেক্তা পীনৈ। মীয়ান লীচৎ (ধর্ম্ম) লৌরুঙৈদগী অশেংবা য়েক সলাই সলাইগী ওইবা পু অহুম পনহনখিদবা (হায়হনখিদবদগী) ইপা, ইপু, ইপুবোকনা পু অহুম হায়না লৌহল্লম্লে। মীতৈগী ওইবা অশেংবা পু অহুম হায়বসি কনা কনানো হায়না থিরকপদা লাইগীদি মমৈ (অরোইবা) তাইবঙ মীগদি পুকোক (অহানবা) (১) ইপু অথৌবা পাখংবা (২) ইপুথৌ পাখঙবনা লাইলুপ তরেৎকা পাননারগা পোকপা সলাই (সলাই তরেৎ) (৩) সলাই সলাইনা লাইলেলপী পাননাতুনা পোকপা নাওতা তরেৎ হায়বদি - মঙাঙনা পোকপা (১) লৈসংলেল অসঙ ঙাসাপা, লুৱাংনা পোকপা (২) নোংতমলেল অৱাংবা খুমননা পোকপা (৩) নোংতমলেল অখুবা, অঙোমনা পোকপা (৪) লৈসংলেল অসংবা, মোইলাংনা পোকপা (৫) ঈচেঙ; খা-ঙানপনা পোকপা (৬) নোংতমলেল অঙানপা; সলাই লৈসাংথেমনা পোকপা (৭) খুম খুম নিংথৌনি। মথংশিংনা অহুম শুবা পুনি।

মথক্তা হায়জখিবা পু অহুম অহুম অসি সলাই সলাইগী, শাগৈ শাগৈ, য়ূম্নাক য়ূম্নাক্কী পু অহুম অহুম ওইগনি। লৈপাক্কী নৎত্রগা খুনগী নৎত্রগা লৈকায় অমগী লৈকায় অমদগী হেনবা ওইবা থৌরমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বদা নৎত্রগা লুক কৎপদা পু অহুমগী খুভম নৎত্রগা লুকফম অহুমগী মহুৎতা মশীং ১৫ ওইগনি। মরমদি লৈকায় অচৌবা নৎত্রগা খুন অমগী থবক থৌরমদদি সলাই ৭ কী মচা মশুশিংনা হৈকৎ লৈকৎ তমগদবনা হায়বদি অহানবা পু - ইপু অথৌপা পাখঙপা -১; অনীশুবা পুদা - সলাই ৭ অহুমশুবা পুদা নাওতা - ৭ ওইগনি। মীওই অমনা লৈরাং তম্বদা মাগী মাগী সলাইগী ওইনা অহানবা পু, অনীশুবা পু, অহুমশুবা পু- অহুম খক্তদা লৈরাং লৈহুন তমগনি, মাগী সলাই নত্তবা খুভমদদি লৈহুন তমফদে। মীওই খুদিংমক্না অহানবা পু ইপু অথৌবা পাখংপগী খুভমদদি লৈহুন তমগনি। অনীশুবা পুগী পরেংদা মা মাগী সলাইদুগী খুভমদা লৈহুন তমগনি অতৈ সলাইগী খুভমদদি তমফরোই অহুমসু লুগী পরেংদসু মা মাগী নাওতাগী খুভমখক্তদা লৈহুন তমগনি।

মীতৈগী লাইনীং লিচৎতা পুরেলশিংবু পুনেমজবা হায়বা লাইনীং (প্রনলিকা) অমা পীরি। মদুদি- ঐনা ঈপাদা চঙজবা, ইপানা ইপুদা পুশিনবিবা, ইপুনা ইপুথৌদা, ইপুথৌনা ইপুরেলদা, ইপুরেলনা ইপুরেল লককপদা ঐগী ঐগী শাগৈদা, শাগৈনা নাওতাদা, নাওতানা সলাইদা, সলাইনা ইপুথৌ পাখঙপাদা, ইপুথৌ পাখঙপানা সলাইলেল সিতপাদা, সলাইলেল সিতপানা ইপুঙলোই অপকপতা পুশিনবীবা লাইনীং অসিবু পুরেলশিংবু পুনেমজবা কৌই। ঐ ঐগী পু অহুম খঙদনদি করম্না মপু মহাক্কী মনাক য়ৌগনি। মরম অসি লৈবনা মীতৈ ঐখোয়দি লাইগী মচা মশুনি॥০॥

অতোপ্পা লাইনীং লিচৎ (ধর্ম্ম) তা ঐ ঐগী পু অহুম পুথোক্তুনা মথং মথং চঙজদুনা তাইবঙ শেম্বা মপু মহাক্কী মকাইফম য়ৌনবা লম্বী লীক্লম লীখুন লৈরিবরা? ঐখোয় মীতৈ ওইবা মীওইনা ইপু ইলাগী লিক্লম থিদুনা ঐগী ইনাৎকী লাইনীং লাইশোনতনা মপু মাগী (ইপুঙলোই অপকপা) গী মফমলাংদা চঙজদুনা লাইরৈবাক লমদমদা ইংনা চিক্লা নুংঙাই য়াইফনা লৈরুরসি॥০॥ তাইপঙপাল শেম্বীরকপা ইপুংলোই অপকপদগীনা ঐ ইশা ফাওবগী মথং মনাও শম্নবা ঙমহল্লিবা মীতৈ ইনাৎ চৎচরিবা ঐখোয় অসি লাইগী মচা মশুনি হায়বদা করি লাল্লিবগে? মরম অসিনা মীতৈ পুয়ানা পীরিবা লীচৎ কাংলোন লাইনীং লাইশোন চৎচরিবা ঐখোয় মীতৈদি লাইগী অশেংবা মচা মশুনি॥০॥

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## ফীজং মরুমদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*



**শমুলাইলাৎপম** নিঙোল রোমিতা (১৯৮৮) ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৩০ মুক চৎলগা লৈবা থৌবাল জিলাগী খোংজোমগী লাংঙথেল হায়না খঙনবা খুলদা লৈবা শমুলাই লাৎপম হরিনরায়ন শর্ম্মা অমসুং শমুলাইলাৎপম ওংবী মালাগী মচা অহুমগী মনুংদা ইতোন তোনবী ওইনা ফংজখিবী মচানুপীনি। মথক্তা মচে অমা, ময়াম্বা অমা লৈ। শান্ন-খোনববু অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা পামজবা অমসুং মীয়ামগী মতেং পাঙবা পামজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকখি। অঙাং ওইরিঙৈদগী তেন কাপ্পা মশান্নদা খোংদারক্তুনা রাজ্যগী থাক ফাওবা ওজাশিংগী লমজিং-লমতাক মখাদা শান্নরকখি। মশাগী ফীভমগী খুদোংচাদবা অমদগী মশান্না অসিদগী নীংবা কায়না থাদোক্লিংদা থাদোক্লিংদা থাদোকপা তাখি। মহাক্কী তোপ তোপ্পা মগুনদি শাউবা হৈতে, শাউবা হায়বদু মশক খঙদে, মোমোন্তা নোকই, ৱা য়াম্না ঙাঙদে, ইং-তপ্পী, পুকচেল চাওই, নোল্লুকই, নমথাক চিরোন য়াদে, অঙাং, অহল, নুপা-নুপী অমসুং কাঙলুপ-ফুরুপ খায়দনা লোয়নবা তিনবা য়াই। মতমগী অওনবগী মতুং ইন্না মশাগী হোৎনজমনগী মমল ওইনা হৌজিক হৌজিক BST/PYS Thoubal District কী Shah-Prabhari (Vice-President) ওইনা থৌ পুদুনা যোগ শাজেল অসি য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা এন জি ও অমদসু অচৌবা থৌদাং লৌদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌবতা নত্তনা যোগ শাজেলদসু মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা শাজেল অসিগী লৌশিং-জ্ঞান তাকপী-তন্বীবগী শিনফমদা থৱায় হকচাং য়াওনা মীয়ামদা পাউজেল পীরি। ঙসি ফাওবদা শাজেল অসিগী কান্নবা পীখিবা মীওই মশীং অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। মীওইশিং অদুগী মনুংদা লায়না-লায়ওং কয়া অমসু ফখিবা য়াওখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক ওজা অসিগী মখাদা মীওই কয়া অমসু শাজেল অসি তাকপী-তন্বীরি। মসিনা মীপুম খুদিংদা পীরিবা কান্নবা অসিগী মরমদসু হেন্না মমুৎ তানা পীবা ঙম্নবগীদমকসু মালেমগী গুরু স্বামী রামদেবগা হকথেংননা উনদুনা থিজিন-খোৎচিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চথুরি। মতুংদসু শাজেল অসিগী মরমদা ত্রেনিং কয়া পীনবা হায়দুনা অখঙ-অহৈ কয়া তান্নদুনা কন্না হোৎনরি। চহী লিশীং কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়াগী মুনি-ঋষিশিংনা শান্নরম্বা শাজেল অসিনা হৌজিক্কী মীরোলদা পীরিবা যোগগী মচি ওইবা লৌশিং-জ্ঞান কয়া অদু অৱাবা, চোকথবা, অতনবা লৈতনা মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা য়ৌহন্দুনা কান্নবা পীবিরি। যোগ শাজেল হকচাং ফনবা খক নত্তনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা চৎকদবা লম্বী অমসুং পন্থুংফম, লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, চাকচা-য়ুথক, মীনুংশি, কৎথোকপা, ঙাকপীবা অমসুং ঙসিগী খুন্নাইসিদা তাবদা হঙ্গোইরবা কি-তুকৎচরবা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোকশিংবু য়াম্না লায়না মায়োক্লবা ঙম্নবগী পাম্বৈ অমসু শাজেল অসিগী কয়াৎ মনুংদা য়াওরি হায়বসি ওজা রোমিতানা নুমিৎ খুদিংগী শাজেল তাকপীবদা তন্বীরি। শাজেল অসিনা মীওইবগী লমচৎ-শাজৎকী মরমদসু মমায় চুম্বা ওইদুনা অফবা অচুম্বা নিয়ম নাইবা, হুরান-চিন্থি তৌদবা, মীনুংশি খঙবা পুন্সিরোলগী মশক অমা শাগৎপদসু অচৌবা পাম্বৈ ওইরি। শান্তি লৈবা প্রেম ভক্তিদা য়ূম্ফম ওইবা অমসুং কৎথোকপগী ঈহুলতনা য়োল্লবা খ্বাইদগী অথোইবা লম্বীদি যোগ থেরাপী অমসুং মেদিটেসন থেরাপী অসিদা য়াওই হায়বসি ওজা অসিনা ময়েক শেংনা মচা খায়না মীয়ামদা মমুৎ তানা তাকপী তন্বীরি।

শাজেল অসি চাং নাইনা নুংতিগী মালেমগী মীপুম খুদিংমক্না শান্নরবদি লায়না তীলনা চেন্দবা, পুন্সি শাংনা হিংদুনা শান্তি লৈবা লৈবাক অমা ওইবা ঙমগনি, মীওইবগী পুন্সিগা ডোক্তর হায়বা শিনফম অসিগা মরুপ ওইদ্রবসু পুন্সি শাংনা হিংবা ঙমগনি হায়বসি ওজা অসিগী অচেৎপা থাজবনি।

অঙকপনি চহী নৌরিবা ওজা অসিগী মথৌনা মরিংজেল মীয়ামদা পীরিবা কান্নবশিং য়েংবদি ইতপ-তপ্পা, ইশোন-শোনবা মাল্লগা মেদিকেল সাইন্সনা খম থেংনা চাওখৎলবা মতম অসিদা হীদাক অমতা চাদনা মীওইবনা অকি তুজুংলবা লায়না কয়াবু যোগ শাজেলনা লায়না ফহনবা ঙম্লে হায়বসি মখৌ পোংনা লাউবতা নত্তনা থবক্লসু খুদম পীদুনা খঙহল্লি।

মতৌ করম্না ফহল্লিবা চম্লবা শাজেলসিনা হায়বদু লমদমসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্না ওজা অসিগা উনবীরগা, শাজেল তৌমিন্নরগা খঙমিন্নবা মতমদু ওইরে। মসিগী ৱাহন্থোক্লা করিনো? নুং অমসুং পান দা ফংলিবা লুরবা মতিক ময়াই লৈরবা মচাকশিং খুদিংমক খঙমিন্নরবা মতমদুদা মালেমসিদা মঙগুল্লবা অঙকপা থৌদোক ৱাথোক কয়া থোক্লিবসি তপ্পা তপ্পা নাথৈখিদুনা ঈংনা মেংলবা নীংথিজরবা মালেম অমা ওইবা ঙম্লক্কনি হায়বসি ওজা রোমিতাগী অচেৎপা থাজবনি। মতিক মগুন লৈরবা শাজেল অসিবু নুংশিজনা পামজনা মীয়ামগী খল্লগা চেকশিন্না শেন্নজরিবা মীতৈ নুপীশিংগী মরক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লা লেমজনীংঙাই ওইরবা ওজা অসিগী তুংগী পুন্সিদা হেন্না অফবা অচুম্বা মায় পাকপা ওইনবা মিৎয়েং চঙবীদুনা চাওখৎনবা হোৎনমিন্নবা মতমদু য়ৌরে মীপুম খুদিংমক্লা অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পাঙবা য়াবা মতেং পাঙবীদুনা মীয়ামগী থৌগাই পাঙবদা হেন্না মপূং ফাহনবা মথৌ তারে হায়না থমজনীংই। যোগ শাজেলগী ফিজং মরুমদা ওজাসিনা মখা তানা তৌরকপা অফবা থবকশিংদু ঐখোয় পূন্না অমুক য়েংমিন্নসি, হোৎনমিন্নসি, মতেং পাঙমিন্নসি, শাজেল তৌমিন্নসি যোগবু য়োকখৎমীন্নসি।

*অদোমগী - এম আই দেবী*
*প্রসিদেন্ট (এস সি এ এফ টি)*

## লাইবক চাওবী মীতৈ ইমাগী মমোমলোই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**ঙসিগী** মালেমদা লৈরিবা মীপুম খুদিং মীংচৎ অমদি ঈজৎ লৈনা হিংবা পামদবা মীওই অমফাওবা লৈতে। মসিদা পৈশা য়াম্না তানশিন্দুনা ইনাক খুনবদা ফংবা ঈজৎ অমদি মীংচৎ, অমরোমদা অৱা অনাগী সেবা অমদি লৈবাক্কী খন্দুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরুবদগী ফংলকপা ঈজৎ অমদি মীংচৎ, মখূৎতা খোর্জে পায়দুনা খোরিরোলগী মরমদা খূৎ কয়া থাদুনা তানবা ঈজৎ মীয়ামদা পাউজেল পী। পূম্নমক অসিগী মথক্তা শক্তি য়াওনা তানবা য়াবা পৈশাগা য়াওনননা লৈবা হায়বসি মীয়ামগী খ্বাইদগী পৈশা তানফম অমা ওইরিবা মীখল থেংনদুনা মীখলদা মায় পাক্তুনা তানবা শেল অসিনি। মসিদি মায়বু পাক্লবদি শক্তি, পৈশা, ঈজৎ, মীংচৎ পূম্নমক মসিদা পূন্না য়াওই। লৈবাক্কী শেল থুম খুদিংমক মখূৎতগী চৎকদবা ওইবনা পৈশাগী কোমদা পুথবনি। মসিদগী মীনা মশাগী মশক য়েংদনা মীখলদা ঙাওদুনা মীখল লেপ্নরিবা অসি ইরোইননা লৈয়োন কোমদা লৈয়োল্লুবা মতমদা লৈয়োল্লুরিবা কোম অদুদা লৈরম্বা লৈখোম লোয়না নৎত্রবসু মশা পূম্বদা লৈখোম খরদি অদুম পক্লক্কনি। অদুনা পৈশাবু মখূৎতা পায়দুনা শীজিন্নরিবা মী খুদিং পৈশা খরদি মখূৎতা পকপা মশানা তাবা ৱাফমনি। অদুনা লৈবাক্কী সেবা ঙাক্তা নত্তনা পৈশাগী খন্দুনা ঙাওনরকপা ঙাক্তনি। অদুনা মীখলবু অচৌবা শেল তানফম ওইনা পূম্নমক উনরকপা ঙাক্তনি। মসিদা লৈবাক্কী অৱা অনা কয়া চহী ১৬ চুপ্পা খাঙলক্লবা মালেমগী মীয়াম্না ঈজৎ অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা আইরন লেদি হায়বা মিংথোল ফাওবা ফংলবা মসিদগী হেনবা মীংচৎ অমা মালেম অসিদা লৈত্রবা অসিদা ভোট লেপ্তুনা মীখল থেংনগে হায়রকপা অসি মীংচৎকীদি ওইররোই। মরমদি মালেমগী ফংঙমদবা অতাঙবা মীংচৎ ফংখ্রবনি অদুনা পৈশা তানফম লৌবুক্তা কুমদুনা শেল তানবা নৎত্রগা অৱা অনা তারবা লৈবাক্কী শোৎথরিবা ময়াম অসিগী খল্লগা থোক্কে খনবা অমা অসি নৎত্রবদি লৈতে।

লৈবাক্কী থৌগাইগী থোক্লকপা ওইরবদি থাজবা খরা ৱাৎলি মরমদি কন্সটিট্যুসনগী মখাদা লেজিসলেচর ওইনা হেক চঙখিবদা করিগুম্বা খরদা কন্সটিট্যুসন্না পুন্দুনা থম্বনা ঐখোয়না থাজবা ঙমদে। মহাক্লা আইন সভাদা য়াওরবসু কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা করিগুম্বী অমা ফাওবা লেঙবা য়ারোই অদুনা মহাক্লা মীখলদা মায় ওনশিল্লকপা হায়বসি ওইদবা ঙাঙবা, ওইদবা থবক তৌগে খনবা, উৎ চাইনরিবা ময়াম অসিগী মরক্তা য়াওশিনগে খনবনি হায়বসি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি, মরমদি নোংমখা মহি দরম অমদা খোইহি লিক্লি অমনা করি তৌরুগনি। মাগী হান্নগী ফীভম অদুদি কন্সটিট্যুসন্না য়াবা য়াদবা অৱাবা খাঙদুনা মীংচৎ তানবা কায়দে। অদুনা শর্মিলা লাই ওইরম্বদগী মী মরক্তা চঙলকপা হৌরবদি মী ওল্লকপা মশানা তাবনি। লাইনা মী মরক্তা লৈবা য়াদে, মীগা লাইগা খেন্নবা য়াম্না লৈ, লাইগী থবক মীনা কৈদৌঙৈদা তম্বা য়ারোই, ওন্ন তৈনবা লাক্তুনা মী ওল্লক্কনি অমদি মীগী শাজৎ চৎলক্কনি। মীগী শাজৎপু চৎলবা অপাম্বা, মীহৌবা, কল্লকপা, ওইজবা খঙবা, ঐগীনি হায়বা পোৎ য়াওদবা য়ারক্লোই। মীওইবগী অপাম্বা অনীংবা তৌবা য়াবগী ঙমখৈ অমদি লৈফম থোকপনি। সি এম ওইনীংদবা মী মণিপুরগী মীখল মায় পাক্লবশিং অমদি পাক্ত্রিবশিং অসি পঙনা য়াওরম্লোই। মীওইবদা চানবা হায়বা ঙাঙথোক্লকপদা চুনবা তাবদা কায়দবা হায়বা অমা লৈ। শর্মিলানা সি এম ওইনীংবগী অপাম্বা লৈ হায়বসি তাবদা নুংঙাই। মসিদা তাইবঙগী চৎনরোলদা লোংঙুপ মনুংদা চঙখ্রবা ঙানা উপাই লৈতনা মীখূৎতা তাবগুম থোক্কদ্রা হায়বা চিংনবা লৈ। অদুবু ঐখোয় য়েংবা তারি। সেন্টরগী ফ্রেম ৱার্ক এগ্রিমেন্ট মীখল মমাঙদা মখূম হাংগদবা মান্দে, হাংসু হাংলোই মরমদি মখুমদু হাংবগা লৈবাক কায়গদবা লৈবনা মসি ঐখোয় মীখল ময়া অসিদা খরদি খন্থহৌবা য়াম্নমক চুমগনি। লাপ্পা লৈবা পোৎ নকশিন্নরগা মনুংদা করিনো অমদি অদুম লৈরমগনি মসি তাইবঙনা খঙনা খঙনা কাউই। মীখল মমাঙদা কোংগ্রেসসু অফস্পা শোয়দনা লৌথোক্কে হায়গনি অদুগা বি জে পিসু, ঐখোয়দা ঙমদ্রে হায়দুনা শিন্নৌ খুদক্তা আই এল পি অমদি অফস্পাগী প্রোব্লেম লোইশিনগে হায়বা ইকায় খুম্নজরিবা জয়কিষণ এম এল এনা মখৌ পোংনা চাউথোক্লা লাউথোকখ্রে। মসি মণিপুরগী মীয়াম্না কাউদনা লৈহৌবা কান্নগনি। মসিদা মীতৈ ইমাগী মমোম শর্মিলাসু লাউবা য়াওগদৌরিব্রা? মহাকসু মণিপুরগী লুচিংবশিংগী মরক্তা য়াওরবদি মসি ঙাঙদনা ঙাঙনিঙাই লৈতে। ওইদবা পরেংনা অওইবা শারগা ঙাঙবসি পোলিটিকেল লুচিংবশিংগীদি খ্বাইদগী হেনবনি। মণিপুর মতিক চাবা সি এম লৈতবনা অফস্পা অমদি আই এল পিগী ইশু অনী অসি লোইশিনবা ঙমদবনি হায়বা লৈবাক্কী আইন খঙবা শক্লাইরবা অমগী ৱাঙাঙ তাবা নুংঙাই । মতিক চাবা সি এম ওইরবদি ইশ্যু অসিগী মতাংদা অয়াবা আইন লৈবা ওইরম্বা তাই ঐখোয়না খঙদবননি। কন্সটিট্যুসন্নসু য়ারম্বা তাই। পূম্নমক মীখল ময়া য়ৌরক্তদৌরে অদুনা লোইনা খঙলগনি ঐখোয়গীদি অমনা কারবসু অমনবু কারবসু অহোংবা থোইনা লাক্লোই। মসি মমাঙঙৈদা কাদবা কয়াসু কাখ্রে, কাখিবা কয়াসু কাখিদবা য়াওখ্রে, অহোংবা অমফাওবা লাকপা থেংনখিদে থেংসু থেংনরোই। মসি ঐখোয় খন্থবা মতম ওইরে।

*অদোমগী - ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ*
*সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল*